এক্যুজ অমসু ফারে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না আই এস আই এস মোদ্যুল কেসকা মরী লৈননা কর্নাটাকাগী ভাতকলদগী জুফতি জোহর দামুদি কৌবা মীওই অমা ফাখ্রে। ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা দামুদিনা তোঙান তোঙানবা চেট প্লেটফোর্মশিংদা অশাবা আই দি কয়া শীজিন্নখি।

ন্যু দেল্লীদা এন আইএগী ওফিসল অমনা হায়, এন্টি-টেরর প্রোব এজেন্সি অসিনা আইএস আইএস ভোইস ওফ হিন্দ কেসকা মরী লৈননা দামুদিবু ফাখি। ওফিসল অমনা মখা তানা হায়, অবু হজির অল বাদরি কৌবা সাইবর এন্টিটি অমা মরু ওইবা আই এস আই এস ওপরেটিভ অমনি। মহাক ভোইস ওফ হিন্দবু সাওথ ইন্দিয়াগী লোলশিংদা ট্রান্সলেসন তৌবদা চেন্নে।

মমৈথংদা এন্টিটি অদু ভাতকলদা লৈবা দামুদিনি হায়বসি খঙলকখি। মহাক ইরাই নুমিৎতা এন আই এ অমসুং কর্নাটাকা পুলিসকী জোইন্ট ওপরেসন অমদা ফাখি। ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না সাইবর আই দি অসি নহারোলশিংবু কা-হেনবা ৱাখল চেলহনবদা অমসুং রিক্রুট তৌবদা শীজিন্নে। দামুদি অসি কুমজা ২০১৬ তা আই এস আই এসকী এক্টিভিটিশিংগা মরী লৈননা ফাখিবা অদনান হাসন দামুদিগী মনাওনুপানি। মহাক তোঙানবা এন আই এ কেস অমদা দিটেন তৌরি।

প্রিমিসেসতা থী হুম্বগী থবক চথখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না ইরাই নুমিত্তা উত্তর প্রদেশ পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন ওইরম্বা অমগী প্রেমিসেসতা থী হুম্বা চথখ্রে। কুমজা ২০১০দা পাঙথোকখিবা এদিসনল প্রাইভেট সেক্রেটরি লৌবগী ইগজামদা অরান অহুই কয়া তৌখি হায়বা ৱাফমদা যূম্ফম ওইরগা মহাক অমসুং অতৈগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

সী বি আইগী স্পোক্সপর্সন আর সী জোশিনা হায়, এজেন্সি অসিনা প্রভুনাথকী লক্ষনৌদা লৈবা প্রিমিসেসতা থী হুম্বা চথখি। ওফিসল প্রোভিজন লান্না শীজিন্নদুনা মতিক চাদবা কেন্দিদেটশিং খন্নবা লৌতুনদুনা অরান-অহুই কয়া তৌখিবগী মরালদা মহাক অমসুং যু পি পি এস সীগী মশক খঙদবা পব্লিক সর্ভেন্টশিং অমসুং মশক খঙদবা প্রাইভেট মীওই কয়াগী মায়োক্তা কেস অসি রেজিষ্টর তৌখি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, যু পি পি এস সীনা কুমজা ২০১০গী দিসেম্বর ২৫দা ফোঙখিবা এদভর্টিজমেন্ট অমগী খূথাংদা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌদুনা এ পি এসকী ফম ২৫০ লৌনবা এদভর্টাইজ তৌখি। ফোর্ম থাজিনবা ২০১১গী জন্যুৱারি ২১দা লোইশিনখি।

ইন্দস ৱাটর ত্রিটি রিনিগোসিএসন তৌনবা পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলনা রিক্কম্মেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগা খূৎয়েক পীনখিবা ইন্দস ৱাটর ত্রিটি (আই দব্লিয়ু টি) ইন্দিয়ানা রিনিগোসিএসন তৌননবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমনা রিক্কম্মেন্দ তৌখ্রে।

হৌজিক্কী মরু ওইবা ইস্যুশিং ক্লাইমেট চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্টশিং য়েংদুনা কম্মিটিনা রিক্কম্মেন্দেসন অসি পীখিবনি।

এম পি সঞ্জয় জাইশৱালনা লুচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ৱাটর রিছোর্সেসনা শগোলশেন নুমিৎতা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা লৈবাক অসিগী ফ্লদ মেনেজমেন্টনা মরী লৈনবা ১২শুবা রিপোর্ট সবমিট তৌখি। রিপোর্ট অদু মরু ওইনা চাইনা, পাকিস্তান অমসুং ভুতানগা খূৎয়েক পীনখিবা ইন্টরনেসনল ৱাটর ত্রিটিশিংদা মীৎয়েং থম্মী।

কম্মিটিনা হায়, ইন্দস ৱাটর ত্রিটি অসি মতম শাংনা চৎনদুনা লাক্লবসু মসি লৈবাক অনীমক্না তুরেলগী মেনেজমেন্ট অমসুং ঈশিং শীজিন্নবগীম তাংদা দাম, বারাজ, কেনেল শাবা অমসুং হাইদ্রো-পৱার জেনেরেসনদা মীৎয়েং থম্নরিঙৈ মতমগী নোলেজ অমসুং টেক্নোলোজিদা যূম্ফম ওইরগা শেমখিবনি।

হন্দক মতম খরা অসিদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা তুরেল অসিগী ঈশিং যৌহল্লোই হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন কিহনবা লৈখি। মদু মরু ওইনা ইন্দিয়াগী ফেসিলিটিশিংদা টেররএটেক কয়া চথখিবা মতুংদনি। তৌইগুম্বসুং যূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা অচৌবা লান অহুম শোক্লবগা লোয়ননা বোর্দরগী মফম কয়াদা কাপ্লবগী থৌদোক কয়া তোয়না থোক্তুনা লাক্লবসু আই দব্লিয়ু টি অসি মতম শাংনা লেপ্তুনা চৎনদুনা লাক্লি।

ত্রিটি অসি ৱর্ল্ড বেঙ্ককী মীৎয়েং মখাদা চহী নিপাল চুপ্না নিগোসিএসন চথরক্লবা মতুং কুমজা ১৯৬০ দা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা খূৎয়েক পীনখিবনি। ত্রিটি অসি ইন্দস বেসিনগী ঈশিং সিয়ারিং তৌমিন্নবগা মরী লৈনৈ।

নোংপোক থংবা তুরেলশিং-সুটলেজ, বিস অমসুং রবিগী ঈশিং ইন্দিয়ানা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবা য়াহল্লি অমসুং নোংচুপ থংবদা চেল্লিবা তুরেল অহুম হায়বদি ইন্দস, ঝেলম অমসুং চেনাবকী ঈশিংনা পাকিস্তানবু অয়েৎ-অপন লৈতনা শীজিন্নহল্লি। অদুম ওইনমক ত্রিটি অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা নোংচুপ থংবদা চেল্লিবা তুরেলশিং অসিগী ঈশিং লৌউ-শিংউ অমসুং হাইদ্রো-ইলেক্ট্রিক পৱার পুথোকপদা শীজিন্নবা য়াই।

অপূনবা ঈশিং সপ্লায় ক্যুবিক মিটর বিল্লিয়ন ২০৭.২কী মনুংদা ইন্দিয়ানা ফংলিবা তুরেল অহুমসিগী ঈশিং চাকথুং অসি ক্যুবিক মিটর বিলিয়ন ৪০.৭ নৎত্রগা চাদা ২০ রোম্লি। ইন্দিয়ানা চাদা ২০ অসিগী চাদা ৯৪ রোম শীজিন্নরগা অরেম্বদুনা শীজিন্নদনা পাকিস্তানদা চৎলি।

ত্রিটি অসি খূৎয়েক পীনখিবা মতমদা ক্লাইমেট চেঞ্জ, গ্লোবেল ৱার্মিং অমসুং ইনভাইরনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্টনচিংবা হৌজিক্কী মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্নখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা হীরমশিং অসিগী মতাংদা ইন্সটিট্যুসনল ষ্ট্রক্টচর নৎত্রগা লেজিসলেটিভ ফ্রেমৱার্ক লৈহনবা য়ানবা ত্রিটি অসি নৌনা অমুক নিগোসিএট তৌবা মথৌ তাই হায়না কম্মিটিনা রিক্কম্মেন্দ তৌখি।

রাজস্থানদা ঈশিং-ঈচাওগী রিলীফ ওপরেসনদা এয়র ফোর্স শীজিন্নরগনি

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

রাজস্থানগী ঈশিং-ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিংদা গভর্ণমেন্টনা রিলীফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স শীজিন্নরগনি।

ষ্টেট অসিদা নোং কন্না চুবদগী কোটা য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট কয়া ঈশিং থুম্লে। ঈচাও অসিদা ইন্দিয়াগী কম্পিটিটিভ ইগজাম শেম-শাবগী মরু ওইবা কোচিং হব অমনি হায়নরিবা কোটাদা মীওই কয়া যূম মনুংদা লাংদা থুবগুম লৈখ্রে। মীওইশিং অদুগী কন্নবগীদমক ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা কোটাদা রিলীফ ওপরেসন চথরগনি।

গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া কন্নবা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসননা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা ফ্লদ রিলীফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং চথনবা হায়জরকখি। সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসননা হায়জরকপসিদগী ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা মসিগী এসেটশিং থুনা মোবিলাইজ তৌখি।

চৈরকসিদা, মধ্য প্রদেশতা এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর অমসুং এম আই-১৭ হেলিকোপ্টর য়াওনা পূন্না হেলিকোপ্টর মঙানা ওগষ্ট ২দগী মধ্য প্রদেশতা রেস্ক্যু ওপরেসন চথরক্লি। ষ্টেট অসিগী গ্বালিয়র-চম্বল রিজনদা নোং কন্না চুবদগী গ্বালিয়র য়াওনা লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট তরেৎকী ভিলেজ কয়ামরুম ঈশিং-ঈচাও থোক্লে।

এরিয়া অসিগী মরু ওইবা তুরেল কয়া ঈমায় পাথোক্লগা চেনবদগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে অমসুং মফমশিং অদুবু শম্নহল্লিবা থোং কয়া ঈশিং ঈচেলদা য়াওখ্রে। ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা হৌজিক মরু ওইনা গুনা অমসুং অশোক নগরদা ময়ূম ময়ূমদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙলি।

হৌজিক গ্বালিয়র-চম্বল রিজনদা ঈশিং-ঈচাওনা মাঙ-তাকহল্লিবশিং অসি ষ্টেট অসিদা অমুক্তা উখিদ্রি হায়না চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সতা নত্তনা মধ্য প্রদেশকী ঈচাওনা শোকহল্লবা লমদমশিংদা রিলীফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং চথবদা ইন্দিয়ন আর্মিসু শীজিন্নরি। আর্মিদা নত্তনা এস দি আর এফ, এন দি আর এফ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনসু রেস্ক্যুগী থবকশিং মতেং পাংলি।

এ দি জে অনন্দ মীশি কেসতা একুজ ২ ৱাহং পাউহং হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

এ দি জে উত্তম অনন্দ ধনবাদতা শিখিবগী মরমদা থিজিনবগী থবক পায়বা হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না কেস অসিগা মরী লৈননা একুজ অনী ৱাহং-পাউহং তৌবা হৌখ্রে।

ধনবাদকী কোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা একুজ অনী- লখন ভর্ম্মা অমসুং রাহুল ভর্ম্মাবু সী বি আই কষ্টদিদা নুমিৎ মঙানি রিমান্দ পীখি।

প্রোব অদুগা মরী লৈবা সী বি আইগী ছোর্স অমনা হায়, ঝর্খন্দগী গিরিদিদগী ফাখিবা একুজ অনী অসি ৱাহং-পাউহং চথরি। হান্না কেস অসিবু থীজিল্লম্বা ঝর্খন্দ পুলিসকী এস আই টিদগী এজেন্সি অসিনা মখোয়গী মোবাইল কোল রেকোর্দশিং অমসুং মখোয়গী মোবাইল লোকেসন হিষ্ট্রি লৌশিল্লে। উত্তম অনন্দনা শিখিবা মতমগা মরী লৈনবা লোকেসন হিষ্ট্রি অমসুং মখোয়গী কোল রেকোর্দশিংগী অকুপ্পশিং এজেন্সি অসিনা য়েংশিল্লি।

এজেন্সি অসিনা একুজ অনী অসি কনা কনাগা শম্নবগে হায়বা খঙদোক্লবা মখোয়নিগী কোল রেকোর্দশিং এনালাইসিস তৌরি হায়নসু ছোর্স অদুনা ফোঙদোরক্লি। ঝর্খন্দ গভর্ণমেন্টনা রিক্কম্মেন্দ তৌবগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মখা তাবা নোটিফিকেসন অমা থোকপদগী সী বি আইনা ওগষ্ট ৪দা মীশি অসিগী মতাংদা থীজিনবগী থবক পায়খি। কেস অসিবু থীজিন্নবগীদমক্তা মেম্বর ২০গী এস আই টি টিম অমা ঝর্খন্দদা থাখি।

এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ উত্তম অনন্দ জুলাই ২৮দা অয়ুক্তা ৱাক্কিং চৎলিঙৈদা ওটোরিক্সো অমনা থোম্বদগী শিখি। মহাক্কী লোয়নবীনা মশক খঙদবা ওটো দ্রাইভর অদুগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলকপদগী পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। সী সী টি ভি ফুটেজ লৈরম্বদগী ঝর্খন্দ গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদুবু থীজিন্নবা এস আই টি অমা শেমখি।

শঙ্ঘ পরিবার লোয়েলিষ্টশিংদা মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিং পীখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

কর্নাতাকাগী বি জে পি ৱর্করশিংদা মেসেজ অমা পীনবা অমসুং কেবিনেটতা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপ্পাগী মমি তাহন্দনবগী-দমক্তা কর্নাতাকা বি জে পি য়ুনিটনা হান্না মিনিষ্টর ওইখিদ্রিবা পার্টিবু লুনা খঞ্জবা মীওইশিংদা মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিং শিন্নখ্রে।

কেবিনেট মিনিষ্টর খূদিংমক্তা পাম্নবা পোর্টফোলিওশিং ওইরিবা হোম, মাইন্স এন্দ জিওলোজি, ইনর্জি, এদ্যুকেসন নৌনা মিনিষ্টরশিং ওইহল্লবা অরাগা জনানেন্দ্র, অচার হালাপ্পা বাসাপ্পা, ভি সুনিলকুমার, বি সি নাগেশ, শঙ্কর পাতিল মুনেনাকোপ্পাদা শিন্নখ্রে। খোঙথাং অসিবু পার্টিগী সিনিয়র লীদরশিং অমসুং ওপোজিসন লীদর কয়ানা ঙক্লখি।

থির্থাহাল্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মরিরক হন্না এম এল এ ওইনা থাগৎলকখিবা অরাগা জনানেন্দ্র হান্নগী চীফ মিনিষ্টর য়েদিয়ুরাপ্পানা মিনিষ্টর ওইহনখিদে। জনানেন্দ্রনসু য়ানীংদবগী ৱাহে অমত্তা পনখিবা লৈতে। পার্টিনা হৌজিক্তি মঙোন্দা চীফ মিনিষ্টরগী হেক মথংদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা অনীশুবা পোজিসন ওইরিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা হোম মিনিষ্ট্রি পীরে। পোর্টফোলিও অসি মমাঙগী য়েদিয়ুরাপ্পা কেবিনেটতা হৌজিক্কী চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা পায়খি। য়েদ্দিয়ুরাপ্পাগী মচানুপা বি ৱাই ভিজায়েন্দ্রানা খূৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈখি। খূদিংমকসি খন্নদুনা পার্টি অসিনা পার্টিগী প্রিন্সিপলশিং চেকশিন্না ঙাক্লা চৎচবা মীওইদা মরুওইবা পোর্টফোলিওশিং শিন্ননবা ৱারেপ লৌখি।

ইনর্জি মিনিষ্টর ভি সুনিল কুমার কর্কালা কন্সটিট্যুএন্সিদগী অহুম্লক মায় পাক্লক্লবা এম এল এনি। হিন্দুত্বা এজেন্দা কন্না শৌগৎপগীদমক্তা খঙনরবা কুমারগী মিং মতম শাংনা সঙ্ঘ পরিবারগী প্রাইওরিটি লিষ্টতা য়াওরকখি। ইনর্জি পোর্টফোলিও অসি সিনিয়র লীদর কয়ানা পাম্নরিবনি।

মতম অয়াম্বদা লৈঙাং মচুগী ফিজেল শেৎলকখিবা কিসি নাগেশ তুমকুর দিষ্ট্রিক্টকী তিপাতুর কন্সটিট্যুএন্সিদগী অনীরকশুবা ওইনা এম এল এ কারকখি। সঙ্ঘ অমসুং পার্টিদা কখোল্লবা ৱর্কর অমনি হায়নবা মীওই অসিদা এদ্যুকেসন পোর্টফোলিও শিন্নখি। পোর্টফোলিও অসি মমাঙদা ভেটরন সুরেশকুমারনা পায়খি। সুরেশকুমারদি হন্দক্কী কেবিনেট অসিদা য়াওহন্দ্রে।

য়ালাবুর্গা কন্সটিট্যুএন্সিদগী অহানবা ওইনা কারকপা এম এল এ অচার হালাপ্পা বাসাপ্পাদা মাইন্স এন্দ জিওলোজি মিনিষ্ট্রি শিন্নখ্রে। হাল্লাপ্পা অচার হায়না খঙনবা বাসাপ্পাবু পার্টিনা সোসল এঞ্জিন্নিয়রিংগী শরুক ওইনা পামখি। নাভালাগুন্দা কন্সটিট্যুএন্সিদগী অনীরক কাবা এম এল এ শঙ্কর পাতিল মুনেনাকোপ্পাদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল মিনিষ্ট্রি শিন্নখি। খোঙথাং অসিদা চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈখিবা অরাভিন্দ বেল্লাদ নীংবা কায়খি। মখোয়নিমক মান্নবা লমদমদগীনি।

টামিল নাদুদা নুমিৎ খূদিংগী কোভিদ সেম্পল লাখ ১.৫ হেন্না টেষ্ট তৌই

চেন্নাই, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

টামিল নাদুগী কোভিদ টেষ্ট মশিং হেনগৎতুনা ষ্টেট অসিনা নোংমদা সেম্পল লাখ ১.৫ হেন্না টেষ্ট তৌরি হায়না ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর মা সুব্রামানিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়, নোংমদা থেংনবা অপূনবা কেস মশিং ৩০-৪০গী চাংদা হেনগৎলক্লি। ষ্টেট অসিগী টেষ্ট পোজিটিভিটি রেট চাদা ১.২ নি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, শগোলশেন নুমিৎতা ঐখোয়না আর টি-পি সী আর টেষ্ট লাখ ১.৫৮ পাঙথোকখি। মসি য়াম্লবা মশিংনি। ইন্দিয়াদা টামিল নাদুখক্তনা নোংমদা টেষ্ট লাখ ১.৫ হেন্না তৌই।

কেরেলাদগী লাকপা মীওইশিং টেষ্ট তৌনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না পল্লদুনা সুব্রামানিয়ননা হায়, পেরুনম্বুর অমসুং চেন্নাই সেন্ট্রেলগী মরু ওইবা রেল ষ্টেসন অনীদা টেষ্টিং ফেসিলিটিশিং লৈরে।

ষ্টেট অসিগী মীওই ক্রোর ২.৫ য়ামদ্রবদা ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্লে অমসুং মীওই লাখ ৫০না দোজ শুনা কাপ্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। সুব্রামানিয়ননা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন দোজ ২,২৮,০১,৬৫০ পীরক্লে। পীরক্লিবা অপূনবা দোজশিং অসিদগী ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা দোজ ২,২৬,০১,২১২ কাপখ্রে। শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা ষ্টেট অসিদা শীজিন্নদবা ভেক্সিন দোজ ৮,২৬,২৫০ লৈ অমসুং ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা কোভিসিল্ড দোজ লাখ ৩.৩০ য়ৌরক্কনি হায়না পায়।

নৌনা পীরক্কদৌরিবা দোজশিং অসি থারগা পূন্না দোজ লাখ ১১ শুদুনা ষ্টেট অসিদা নুমিৎ নীনি-হুম্নি চৎলগনি। গভর্ণমেন্টকী পর্ফোমেন্স মতুং ইন্না ষ্টেট অসিনা ভেক্সিন চাং খরা হেন্না ফংই হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়দা অহেনবা ভেক্সিন দোজশিং পীরক্লবদি থা অসিদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৩.৫ হেন্না কাপ্পা ঙমগনি।

জল জীবন মিসনগী মখাদা লুপা ক্রোর ২,৪০০ রিলীজ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী):

মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী জল জীবন মিসন (জে জে এম)না উত্তর প্রদেশকী যূমথোঙ খূদিংদা অরুবা তোতি ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা শেনবা চহী ২০২১-২২গী ওইনা ষ্টেট অসিগী গ্রান্ট-ইন-এইদ লুপা ক্রোর ২,৪০০ রিলীজ তৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী অপূনবা চাকথুং লুপা ক্রোর ১০,৮৭০ গী মনুংদা শেনফম অসি রিলীজ তৌখিবনি। শেনবা চহী ২০১৯-২০দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা জে জে এম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা উত্তর প্রদেশতা লুপা ক্রোর ১,২০৬ এলোকেসন পীখি। মসি ২০২০-২১ চহীদা লুপা ক্রোর ২৫৭১ দা হেনগৎখি। এলোকেসনদা শরুক মরি হেনগৎলিবসি এপ্রুভ তৌরদুনা জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহনা হায়, মসিনা ষ্টেট অসিগী নুপীশিংনা থাপ্পা ঈশিং শোকপা চৎপগী অৱাবা অমা মায়োক্লদুনা লাক্লিবা অদু কোকহল্লগনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref :- Mutation Case No. 102/SDC/H Dt. 26/06/2021

1. Nongmaithem Jayenta Singh S/o (Late) N. Bijoy Singh of Wabagai Yangbi Maning Leikai.
2. Nongmaithem Tondon Singh S/o (Late) N. Achou Singh of Wabagai Yangbi Maning Leikai.
3. Nongmaithem Ongbi Bino Devi W/o N. Tondon Singh of Wabagai Yangbi Maning. -Petitoners

-Vrs-

(Late) Nongmaithem Achou Singh S/o (Late) N. Mamoton Singh of Wabagai Yangbi Maning. -O.P.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 7th August, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৬৬- ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং ৪১১ অরিবা ৭০৬, ১৯২ অংগী দাগ নং ৫০৫২গী লম হেক্টর .২৯৮৬ চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা ৱাকৎচেদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-B/7061/8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGLAM

Ref :- Mutation Case No. 107/SDC/H Dt. 02/08/2021

Elangbam Amitkumar Singh S/o Elangbam Bijuli Singh of Hiyanglam Awang Leikai -Petitoner

-Vrs-

1. (Late) Elangbam Tondonbi Singh S/o Indra Singh of Hiyanglam Awang Leikai
2. (Late) Wahengbam Lokhon Singh S/o (Late) Chaoba Singh of Hiyanglam Awang Leikai -O.P.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 7th August, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৬৭- হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং ৯৭৪ অরিবা ২১৯গী দাগ নং ৩০১৭গী লম হেক্টর .১১৩০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা ৱাকৎচেদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Hiyanglam

HL-B/7061/8

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-VIII-KAK

Ref :- Mutation Case No. 3601/AS & SO/VIII-Kak of 2021

1. Ashem Maniton Meitei S/o (Late) Nodiyachand Meitei of Langmeidong Mamang Leikai.
2. Ashem Dinesh Meitei S/o Shyamchoron Meitei of -do-
3. Ashem Chinglemba Meitei S/o Manikumar Meitei of -do-
4. Ashem Sanajaoba Meitei S/o Gouramani Meitei of -do- -Petitioners

-Vs-

(Late) Yumnam Ningol Ashem Ongbi Chaobimacha Devi W/o (L) Nilamani Singh of Langmeidong-OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 31st July, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ককচীং দিষ্ট্রিক্ট খুল নং ৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নং ১১৫০ অরিবা, ৮১৫ অনৌবা, দাগ নং ২০৬৬ এরিয়া .৫৮ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। হায়রিবা মৃত পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মশুশিংনা দংকারিশিং ওইদুনা দংকারিশিংগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপ্তি তৌবীনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১৬/৮/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। হায়রিবা নুমীৎসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- K. Niranjan Singh
Asst. Survey & Settlement Officer, Manipur

HL-P/9828/8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

Ref :- Mutation Case No. 310/SDC/M Dt. 5/8/2021

1. Md. Mujibur Rahaman S/o Md. Ajijur Rahaman of Kwakta no. 7.
2. Md. Ashif S/o Md. Mujibur Rahaman of -do-

-Vrs-

1. Late Abdul Salam S/o (L) Khomei of Kwakta Sabal Leikai.
2. Barejan Bibi D/o (L) Abdul Salam of -do-
3. Ibemton Bibi D/o (L) -do- of -do-
4. Aisha Bibi W/o (L) Abdul Salam of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 7th August, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১৩০৮ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৪৪১০, ৪৪০৯ অমসুং ৪৪০৮/৪৪৮৭ এরিয়া ১.২৮ একর চাওবা ফৌরেল, এরিয়া ০.৭৫ একর চাওবা অঙনফৌ অমসুং এরিয়া ১.৮৪ একর চাওবা ফৌরেল অপূনবা এরিয়া ৩.৮৮ একর অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। কো-পাট্টাদার ১, ২, ৩ অমসুং ৪গী অপূনবা লম অসি মথক্তা পীরিবা কো-দরখাষ্টকারিশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা আপ্তি তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/9829/8

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING: IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 95 of 2021

Naorem Sobita Devi W/o (L) N. Indramani Singh of Naorem Leikai.

-Vrs-

Late Naorem Indramani Singh S/o (L) N. Bheiga Singh of Naorem Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 05th August, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট লিলোং চজিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬৪-নাওরেম লৈকাই অরিবা পাট্টা নং ৮৬, অনৌবা পাট্টা নং ১৯৪/৩৪৮গী দাগ নং ১৫/৪৯৩ এরিয়া .০৮৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী লোয়নবীনা মমিং ওনবীরো হায়দুনা এস দি সী লিলোং চজিংগী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা এস দি সী লিলোং চজিংগী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/6400/8

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ I AM THANKING LAISHRAM SUDHAKAR (SHAMU)

SUDHAKAR (SHAMU)

I am thanking Laishram Sudhakar (Shamu) S/o L. Nabakishore (Padma Shri Awardee) of Sagolband Khamnam Leirak near I.T.I. Imphal for curing me from stone case. After treating me by him the stone from my left ureter had passed away within a very short period of one week.

Sd/- **Sh. Roni Devi**
Awang Jiri Maning Leikai

HL-P/6398/7,8,9

ꯈꯪꯍꯟꯕ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
MANIPUR	1,02,889+699	92,894+908	1,628+12
Maharashtra	63.4L+5,539	-	1.34L+187
Kerala	35.1L+19,948	-	17,515 +187
Karnataka	29.2L +1,805	-	36,741 +36
zamil Nadu	25.7L +1,985	-	34,260 +30
Andhra Pradesh	19.8L+2,209	-	13,490+22
Uttar Pradesh	17.1L+40	-	22,771+1
West Bengal	15.3L+717	-	18,202+9
Delhi	14.4L+44	-	25,065+5
Chhattisgarh	10L+109	-	13,536+3
Odisha	9.85L+1,208	-	6,302+66
Rajasthan	9.54L+2	-	8,954
Gujarat	8.25L+23	-	10,077+1
Madhya Pradesh	7.92L+18	-	10,514
Haryana	7.7L+15	-	9,647+1
Bihar	7.25L+55	-	9,646
Telangana	6.48L+577	-	3,819+2
Punjab	5.99L+61	-	16,312+11
Assam	5.73L+975	-	5,357+14
Jharkhand	3.47L+32	-	5,130+1
Uttarakhand	3.42L+29	-	7,367+1
Jammu and Kashmir	3.22L+144	-	4,386
Himachal Pradesh	2.07L+256	-	3,533+2
Goa	1.72L+97	-	3,157+1
Puducherry	1.21L+88	-	1,799+1
Tripura	79,948+171	-	766+4
Meghalaya	68,107+515	-	1,147+14
Chandigarh	61,970+4	-	811
Arunachal Pradesh	49,668+227	-	237+1
Mizoram	43,530+722	-	161+1
Nagaland	28,445+110	-	582+1
Sikkim	27,652+126	-	352+1
Ladakh	20,378+9	-	207
Lakshadweep	10,243+8	-	50
Andaman and Nicobar Islands	7,541	-	129